# মণিপুরদগী ওলেম্পিয়ন ১৭ থোকখ্রে, ওলেম্পিক্স ব্রোঞ্জ মেদল অমা বোক্সিংদা ফংখ্রে




*চিনাগী নুপী টেবল টেনিস শান্নরোয় ৱাঙ নান (২০০০-২০০৮) অমদি দেঙ য়াপীঙ (১৯৯২-১৯৯৬)*

## ওলেম্পিক্তা মিৎয়েং অমা

### রত্নেশ্বরি গোশ্বামী



**য়ু এস এগী শুটর কার্ল ওসবর্ন (১৯১২-১৯২৪)**

ঙম্লিবা এথলেটতি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী কার্ল ওসবর্ননি। মহাক্না কুমজা ১৯১২-১৯২৪ ফাওবদা চথুখিবা ওলেম্পিক্স গেমসতগী সনাগী মেদল মঙা, লুপাগী মরি, সেঙ্গেংগী অনী পুন্না ওলেম্পিক্স মেদল ১১ শুটিং মশান্নদগী লৌবা ঙমখি। মালেমগী ওইনা ঙসি ফাওবদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা এথলেটসু য়ু এসকীনি।

ৱিল্লিস এ লী হায়রিবা য়ু এসকী শান্নরোয় অসিনা কুমজা ১৯২০ দা পাঙ থোকখিবা হান্নগী মখা...

ওলেম্পিক্স গেমসকী মনুং চনবা মশান্না অমা ওইরিবা শুটিংদা ওলেম্পিক্স মেদল খ্বাইদগী ফংবা ঙম্লিবা লৈবাক্তি য়ু এস এনি। শুটিংদা মালেমগী লইনা অকনবা লম্বা তৌনরিবা কন্ত্রিশিংনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, নোরৱে, সাউথ কোরিয়া, স্বিদেন, জর্মনি, স্বিটজরলেন্দনি। অদুগা শুটিং মশান্নদা ঙসি ফাওবদা ওলেম্পিক মেদল খ্বাইদগী ফংবা ওলেম্পিক্স গেমসতা সনাগী মেদল মঙা, লুপাগী মেদল অমা, সেঙ্গেংগী মেদল অমা পুন্না মেদল তরেৎ ফংবা ঙমখি। মখা তারকপদা নোরৱেগী ওলে লিলোইওলসেননা কুমজা ১৯২০-১৯২৪ ফাওবদা গোল্ড মেদল মঙা, শিলভর মেদল অমা পুন্না মেদল তরুক ফংখি। অদুগা রোয়িং মশান্নদা ওলেম্পিক্স মেদল খ্বাইদগী য়াম্না ফংখিবা কন্ত্রিনা রোমানিয়াগী দোইনা ইগনাটনি। নুপী এথলেট অদুনা কুমজা ১৯৯২-২০০৮ ফাওবগী ওলেম্পিক্সতগী সনাগী মেদল মরি, লুপাগী মেদল অমা, সেঙ্গেংগী মেদল অমা পুন্না মেদল তরুক লৌবা ঙমখি। মশান্না অদুদা জর্মনগী কেথরিন বোরোন্না কুমজা ১৯৯২ দগীনা ২০০৮ ফাওবদনা গোল্ড মেদল মরি, ব্রোঞ্জ মেদল অমা পুন্না মেদল মঙা ফংখি। অহুমশুবা ওইনা নুপী এথলেট রোমানিয়াগী ভিয়োরিকা সুশান্নুনা কুমজা ২০০০-২০০৮ ফাওবদা গোল্ড মেদল মরি, ব্রোঞ্জ মেদল অমা পুন্না ওলেম্পিক মেদল মঙা লৌখি।

মালেমগী মগুন লৈরবা এথলেট কয়ানা মরমদম মজাতিগীদমক উৎলিবা থৌনা কয়াসি উরগা নৌনা লমসিদা খোঙদারক্লিবা কয়াদসু অনৌবা পাঙ্গল পীরি। ওলেম্পিক গেমসগী চহী মরি মরি কান্নরগা পাঙথোক্লিবা কম্পিটিশন অসিদা অনৌ অনৌবা এথলেট কয়াসু মখোয় মখোয়গী তৌবা ঙম্বা হৈশিংবা কয়া উৎথোরকপা ঐখোয়না উবা ফংলি।

তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াগী ওলেম্পিক মেদলগী রেকোর্দশিং অসিগী মনুংদা চীনাগী তৌবা ঙম্বশিংসু ঐখোয়না উরি। টেবল টেনিস হায়বা মশান্নসিদা চিনাসু মালেমগী ওইনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি।

কুমজা ২০০০ দগীনা ২০০৮ ফাওবদা চথুখিবা ওলেম্পিক গেমস অহুমগী কম্পিটিশন্দা চিনাগী নুপী শান্নরোয় ৱাঙ নাননা সনাগী মেদল মরি, লুপাগী মেদল অমা পুন্না ওলেম্পিক মেদল মঙা ফংবা ঙমখি।

টেবল টেনিসতা ওলেম্পিক মেদল ফজনা লৌবা ঙম্বা অনীশুবা নুপী এথলেটসু চিনাগী দেঙ য়াপীঙনা ওইরি। শান্নরোয় অসিনা কুমজা ১৯৯২-১৯৯৬ ফাওবদা গোল্ড মেদল মরি লৌবা ঙমখি। এসিয়া লৈবাকশিংগী মরক্তগী ওলেম্পিক গেমসতা অচৌবা মফম কনবা ঙম্লিবা লৈবাক অনীগী মমিং পনবা তারবদি চিনাগা জপানগনি হায়বা য়াই।

অমরোমদা, ওলেম্পিক গেমসকী ৱারী মরকসিদা ৱাফম খরদং ষ্টেটসিগী ওইনা নীংশিংলম্বা য়াবদি মণিপুর মচানা ওলেম্পিক গেমসতা য়াওবা ঙম্লকখিবসি কুমজা ১৯৮৪ দগীনি। হৌজিক ফাওবদা লমদমসিদগী এথলেট ১৭ না ওলেম্পিক গেমসতা শরুক য়াবা ঙমখ্রে।

ওলেম্পিয়ন ১৭ অসিগী মনুংদা নুপী শান্নরোয়না ১০ নি। অদুগা নুপা এথলেটনা তরেৎনি। শান্নরোয়শিং অদু নৌথৈোননা নীংশিংজরবদা, নিলকোমোল (১৯৮৪, লোস এঞ্জেলস ওলেম্পিক্স, হোকি), ক্ষেত্রিময়ূম থোইবা (১৯৮৮, সিওল ওলেম্পিক্স হোকি), থিংবাইজম সনামচা চনু (২০০০, সিদনি ওলেম্পিক্স ৱেথলিফটিং), এল ব্রোজেশ্বরি (২০০০, সিদনি জুদো), এন জি দিঙ্কু (বোক্সিং, ২০০০ সিদনি), সৌবাম সুরেস (বোক্সিং ২০০০ সিদনি ওলেম্পিক্স), এন কুঞ্জরানি অমসুং সনামচা চনু (ৱেথ লিফটিং, ২০০৪ এথেন্স ওলেম্পিক্স), লাইশ্রম বোম্বেলা (২০০৮, বৈজিং ওলেম্পিক্স আর্চরি), খুমুজম তোম্বী (২০০৮, বৈজিং, জুদো), ঙাংবম সোনিয়া (ৱেথলিফটিং ২০১২, লন্দন ওলেম্পিক্স), লাইশ্রম বোম্বেলা (আর্চরি লন্দন, ২০১২), এম সি মেরি কোম (বোক্সিং ২০১২, লন্দন ওলেম্পিক্স), লাইশ্রম দেবেন্দ্রো (বোক্সিং, ২০১২ লন্দন ওলেম্পিক্স), কে ঐচ কোথাজিৎ (হোকি, ২০১২ লন্দন ওলেম্পিক্স) নি।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা রিও ওলেম্পিক্স ২০১৬ তা শরুক য়াখিবশিংনা এল বোম্বেলা, সাইখোম মিরাবাই (ৱেথলিফটিং, ২০১৬ রিও ওলেম্পিক্স), পী সুশিলা (হোকি, ইন্দিয়ন ৱিমেন টিম কেপ্তেন), অনুরাধা (হোকি, ২০১৬ রিও ওলেম্পিক্স), চীংলেনসনা অমসুং কোথাজিৎ (হোকি ২০১৬) নি। মণিপুরদগী ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌখিবা শান্নরোয়শিংগী মরক্তগী এম সি মেরি কোমখক্তমক ওলেম্পিক্স মেদল ফংলি। কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক গেমসতগী ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌরকখিবা অদুদগী মখা তানা লৌবসু ঙমদ্রি। অদুবু হায়রিবা ওলেম্পিক মেদল অদু মণিপুরগী ওইনদি অনৌবা ইতিহাস অমা হাংদোকপনি হায়বা য়াই। - লোইরবা-

## টিলোতমা মেমোরিএল থার্দ দিভিজন্দা এল এল এফ সি অমসুং কুকি এস সি মায় পাকখ্রে

জিরিবাম, সেপ্তেম্বর ১৬ ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএশন (এ জে এস এ) জিরিবামনা শিন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা টিম ১১ না শরুক য়াদুনা চথুরিবা ৬ শুবা পি টিলোতমা দেবী মেমোরিএল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এল এল এফ সি অমসুং কুকি এস সি মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এল এল এফ সিনা ও সি গোল ৫-৩ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা ও সিনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখিবগা লোয়নননা এল এল এফ সিনা বোল পায়দুনা শান্নবা হৌখি। মেচ অদুদা ও সিগী শান্নরোয় লালবোইসৈনা মেচকী ৫ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৩৮ শুবা মিনিটতা ফিলিপসনা চনখি।

মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অনী মাঙজিল থানা লৈখ্রবা মতুং হাফ মতুংদা এল এল এফ সিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না শান্নরকপনা টিমদুগী শান্নরোয় মিমিন্না মেচকী ৪৩ শুবা মিনিটতা টিমদুগী অহানবা গোল চনখি। মহাক্না অমুক গোল অহুম থংনা থংননা মেচকী ৫১, ৫৪ অমসুং ৬৯ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি। মেচ অদুগী ৭৪ শুবা মিনিটতা ললালনা টিমদুগী মঙাশুবা গোল চনখি।

মেচ অদুদা ও সিগী শান্নরোয় মিসেক মেচকী ৭৮ শুবা মিনিটতা টিমদুগী অহুমশুবা গোল চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা কুকি এস সিনা আর ৱাই সিবু গোল ৭-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাওনা মায় পাক্লবা কুকি এস সিগী শান্নরোয়শিংনা মেচ হৌবদগী হৌনা বোল পায়দুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া মীকুপ কাংদনা চথুখি।

কুকি এস সিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা হেনখিবা মরম্না টিমদুগী গোল মথং মথং চনশিনবা হৌরকখি। টিমদুগী গোলশিং অদু জোসেফনা গোল অহুম মেচকী ২৬, ৪০ অমসুং ৭৫ শুবা মিনিটতা চনখি। থাংবোইনা গোল অহুম মেচকী ৪৩, ৪৯ অমসুং ৭৮ শুবা মিনিটতা চনখি। লালবোইনা গোল অমা মেচকী ৬৩ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল তরেৎ শুখি।

হয়েং অহানবা মেচ দব্লিয়ু জে এফ সি অমসুং টাতবুং ৱাই সিগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ য়ু দি সি অমসুং কে এম ৱাই সি অনীনা শান্নরগনি।

## মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং প্যুনবতি মেমোরিএল কাং টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ ঃ

শিংজমৈ কাংখূৎনা শিন্দুনা চীংঙামথক্তা লৈবা নামৈরাকপম মান্দপ কম কম্যুনিতি হোল শিংজমৈ কাংশঙদা চথুরিবা মঙাশুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং প্যুনবতি মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট কাং টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ওইনাম কেন্দ্র কাংখূৎ মায় পাকখ্রে।

লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা অপূনবা টিম ১২ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ওইনাম কেন্দ্র কাংখূৎনা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখূৎ পাঞ্জল ২৩-১৪ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেচ লৈরোই। মথংগী মেচ থা অসিগী ১৮ দা শিংজমৈ কেন্দ্র কাংখূৎ অমসুং কোন্থৌজম কেন্দ্র কাংখূৎ অনীনা শান্নরগনি।

## খো-খোগী ওফিসিএল ক্লিনিক পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ ঃ মণিপুর অমেচর খো-খো এসোসিএশন্না শিন্দুনা এসোসিএশন অসিগী রেফ্রি, ওফিসিএলশিংগী ক্লিনিক অমা থা অসিগী ১৮ গী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা খাঙবোক্তা লৈবা বাসুগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

ক্লিনিক অসিদা মণিপুর অমেচর খো-খো এসোসিএশনগী ওফিসিএল অমসুং রেফ্রি খুদিংমক্না শরুক য়ানবা রেফ্রি বোর্দকী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

## মণিপুর হোকিগী প্লেয়র রেজিষ্ট্রেশন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ ঃ মণিপুর হোকিগী মখাদা লৈবা শান্নরোয়শিংগী রেজিষ্ট্রেশন রিন্যুএল তৌবা অমদি নৌনা রেজিষ্ট্রেশন তৌবা থা অসিগী ১৭ তগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা য়ারগনি হায়না মণিপুর হোকিগী রিন্যুএল অমসুং রেজিষ্ট্রেশন সব কম্মিটিগী কনভেনর এন রামেশ্বরনা খঙহল্লক্লি।

## ফুটবোলগী ত্রাইএল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ ঃ সেকেন্দ দিভিজন ইন্দিয়ন লীগকী ক্লব অমা ওইরিবা ন্যু দিল্লিদা বেজ তৌবা শুদেব এফ সিদা লৈননবা লমদমসিদগী হৈশিংলবা ফুটবোল্লরশিং লৌনবগী ত্রাইএল অমা থা অসিগী ২৩ অমসুং ২৫ দা লংথবালদা লৈবা ৱাই দব্লিয়ু সিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী কোচ মনিরতন্না খঙহল্লক্লি।

শুদেব এফ সি অসি সেকেন্দ দিভিজন লীগকী টিম অমা ওইবতা নত্তনা হৌজিক হৌজিক রেসিদেন্সিএল ফুটবোল স্কুল অনীসু চলাইরিবা ক্লব অমনি। ত্রাইএল পাঙথোক্কদৌরিবা তোঙান তোঙানবা চহী কাঙলুপশিং অদুদি চহী ১২ মখা, ১৪ মখা, ১৬ মখা অমসুং ১৮ মখানি। হায়রিবা ত্রাইএল অসিদা শরুক য়ানিংবা ফুটবোল্লরশিংনা থা অসিগী ২৩ গী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা মশা মশাগী ওরিজিনেল বার্থ সার্টিফিকেট অমদি প্লেয়িং কিটসকা লোয়নননা লংথবালদা লৈবা ৱাই দব্লিয়ু সি গ্রাউন্দদা লাক্কুনা কোচ রুহিকান্তদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

## বিষ্ণুপুর ফার্ষ্ট দিভিজন লীগতা সাই এস এ জি মায় পাকখ্রে, সুপর দিভিজনগী মেচ লোইশিনখিদ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা অহুমশুবা ঐচ পিশক ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সাই এস এ জি উৎলৌ মায় পাকখ্রে। সুপর দিভিজন লীগকী মেচ লোইশিনখিদ্রে।

টিম ১৪ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা চথুরিবা ফার্ষ্ট দিভিজন লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা সাই এস এ জি উৎলৌনা জি দি সি থিনুঙ্গৈ গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নরকখি অদুবু সাই এস এ জি উৎলৌগী শান্নরোয়শিংনা হৈশিংবা হেনখিবা মরম্না মেচ অদুগী ১৩ শুবা মিনিটতা জেক্সন্না গোল একাউন্ট হাংদোকখি।

গোল শোখরিবা জি দি সি থিনুঙ্গৈগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকপগী মহয়না মেচ অদুগী ৩১ শুবা মিনিটতা নিলান্দানা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি।

টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মেচ অদুগী ৩৬ শুবা মিনিটতা সাই এস এ জি উৎলৌগী গোবিন্দনা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা জি দি সিদগী গোল অমগা অমুক মাঙজিল থাখি। মেচ অদুগী হাফ মতুং ৫৫ শুবা মিনিটতা সাই এস এ জি উৎলৌগী মহেসনা টিমদুগী অহুমশুবা গোল চনখি।

অমরোমদা ঙসি ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌ অমসুং এফ সি মোইরাং অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা সুপর দিভিজন লীগকী মেচ অদুগী মিনিট ৭৯ শান্নরবা মতুং মমশিল্লকপা মরম্না মেচ মখা তানা শান্নবা য়াদবদগী মেচ এদভান্দন তৌখ্রে।

মেচ অসিগী লেমহৌরিবা মিনিট ১১ অদু হয়েং অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদা মখা তানা শান্নরগনি হায়রি।

ঙসি মিনিট ৭৯ শান্নখিবা মেচ অদুদা ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌনা গোল অমা এফসি মোইরাংদগী মাঙজিল থানা লৈখি। ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌগী গোল অদু সুমন্তনা মেচকী ৬২ শুবা মিনিটতা চনখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –২১

1. য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী মীন্নেসোতা (Minnesota) ষ্টেটকী গভর্ণনর ওইরম্বা প্রোফেসনেল রেষ্টলর অদু কনানো?
2. তেহরিক-ই-ইনশাফ (Tehrik-e-Insaf) কৌবা পোলিটিকেল পার্টি অসি করম্বা শান্নরোয়না লিংখৎখিবগে?
3. চহী ২০ গী মখাগী মিটর ১১০ গী হর্দলসগী অথোই অহেন তান্নবদা হর্দলসগী অৱাংবা অদু সেন্টিমিটর কয়ানো?
4. করম্বা চহীদা মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসনগা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগা পুনশিন্নখিবগে?
5. টেনিস শান্নবগী T-Shirt তা গুস্তির (Corcodile) অমা য়েক্লগা শান্নবা অদু কনানা হৌদোক্লম্বগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ২৩, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-২০ গী পাউখুমশিং

(১) বার্ট পেটেনাউদ (২) রোবর্ট ক্লাউদিয়স
(৩) রুদি হারতোনো (৪) কুমজা ১৯৭০ (৫) কুমজা ১৯৬৮

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-২০ গী পাউখুম মঙামক চুম্না পীরকপা অমত্তা য়াওদে। পাউখুম অহুম খক চুম্না পীবিরকপা মীওই অদুদি

*(১) খাইদেম বিলিয়ন মৈতৈ, লমশাং বজার*

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-২০ গী ৱিন্নর**

*খাইদেম বিলিয়ন মৈতৈ, লমশাং বজার*

**মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

থা অসিগী ১৮, নোংমাইজিং নুমিৎগী নুংথিল পুং ৪:০০ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেনিস টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ ঃ

মণিপুর টেবল টেনিস এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএশন্না শিন্দুনা থৌবালদা লৈবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএশনগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা কেদেট গার্লসকী কার্টর ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্টকী ঐচ লিয়া, কে এস ঐচ নিজিতা, ৱাই লখিপ্যারি অমসুং থৌবালগী ৱাই য়াইফবী মায় পাক্কুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা কার্টর ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্টকী ঐচ লিয়ানা থৌবালগী এ রেন্সি সেট ৩-০ (১১-০, ১১-২, ১-৭) দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা কার্টর ফাইনেলদা থৌবালগী ৱাই য়াইফবীনা থৌবালগী এ কে পুনেশ্বরি সেট ৩-০ (১১-৪, ১১-৪, ১১-৬) দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা মেচতা ইম্ফাল ইষ্টকী কে এস ঐচ নিজিতানা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঈ নিকিতা সেট ৩-০ (১১-৮, ১১-৪, ১২-১০) দা মায়থীবা পীখি। মরিশুবা কার্টর ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাই লখিপ্যারিনা ইম্ফাল ইষ্টকী এন লিন্দা সেট ৩-০ (১১-৯, ১১-১, ১১-২) দা মায়থীবা পীখি।

কেদেট বোইজ সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা কার্টর ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্টকী কে এস ঐচ রোহিটনা থৌবালগী এম য়োহেনবা সেট ৩-২ (১১-৭, ৬-১১, ১১-৮, ৯-১১, ১২-১০) দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা কার্টর ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্টকী আর কে নরমন্না ইম্ফাল ইষ্টকী কে এস ঐচ লখেন্দ্রো সেট ৩-০ (১১-৮, ১১-২, ১১-৪) দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা কার্টর ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্টকী টি ঐচ সিদার্থনা থৌবালগী এম পুন্সিবা সেট ৩-০ (১১-৬, ১১-৮, ১১-৯) দা মায়থীবা পীখি। মরিশুবা কার্টর ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্টকী টি ঐচ রিনেলদ্রোনা ইম্ফাল ইষ্টকী কে এস ঐচ সেগাল সেট ৩-০ (১৪-১২, ১১-৭, ১২-১০) দা মায়থীবা পীখি।

সব জুনিয়র বোইজ সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা প্রি কার্টরদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঐচ রুদি, ঈ থোমাস, থৌবালগী এম পুন্সিবা, এল মঞ্জু, এল সঞ্জু, ইম্ফাল ইষ্টকী এ বিরান, ঐচ শামসুং অমসুং আর কে নরমন মায় পাক্কুনা কার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

## থৌবাল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগতা সৌয়া, টি এল ৱাই সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন থৌবালনা শিন্দুনা চথুরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি হৈরোক প্লে গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতা সৌয়া হৈরোক্না পি এ এল ৱাই সি ফুন্দ্রে গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা সৌয়া হৈরোক্কী গোল অদু পি ঐচ জোনসন্না মেচকী ৮ শুবা মিনিটতা চনখি।

চরাংপাৎ মনিং লৈকায়গী প্লে গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতা এস ৱাই দি এ অথোকপম অমসুং ৱাই দি এ তেন্থা গোল চন্নখিদ্রে।

হৈরোক পার্ট টু ময়ায় লৈকায়গী প্লে গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা পি এল ৱাই সি হৈরোক্না দি এল সি হৈরোক গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা টি এল ৱাই সি হৈরোক্কী অহানবা গোল টি ওজিৎনা মেচকী অহানবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল টি প্রিয়োবর্ত্তনা মেচকী ৪১ শুবা মিনিটতা অদুগা টিমদুগী অহুমশুবা গোল টি ঐচ হিমেন্না মেচকী ৫৬ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা দি এল সি হৈরোক্কী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এল সাইলেসনা মেচকী ১১ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা টি এল ৱাই সি হৈরোক্কী সঞ্জিৎ মেচকী ৩৮ শুবা মিনিটতা অদুগা রাজু মেচকী ৪১ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

## বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ ঃ ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা থা অসিগী ২১ দগী ২৮ ফাওবা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লি তৌরম্বা ১৫ শুবা মিনি, ১৫ শুবা সব জুনিয়র, ৩৬ শুবা সব জুনিয়র অমসুং সেনিয়র মেন ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অদু এসোসিএশন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা কে কৃষ্ণচন্দ্র শর্ম্মা খঙহৌদনা লৈখিদবা মরম্না টুর্নামেন্ট অসি মতম খরা য়ৈথোক্কুনা থা অসিগী ২৫ দগী ২৯ ফাওবা মফম অসিমক্তদা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএশন অসিনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংগী স্ক্রিনিং থা অসিগী ২৪ গী অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা মপান কাংজৈবুংদা লৈবা এসোসিএশনগী ওফিসতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

## ষ্টেট লেভেল জুনিয়র বোইজ বোল্লিবোল

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ ঃ ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা খোইজুমান য়ুথ বোল্লিবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা এসোসিএশন অসিগী প্লে গ্রাউন্দদা চথুরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র বোইজ কেশ প্রাইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেচশিংদা এন ৱাই ভি এ নাওরেম, কে এস ৱাই সি খৌপুম, এন ৱাই দি সি খাইদেম, ভি সি অমসুং আই জি ও ওইনাম মায় পাকখ্রে।







